# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-06-2026)**

**পোলিও (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি চহি মঙা ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথক্কনি। মসিগীদমক পোলিও বুথ লিশিং ২,৮৯৮ হাংদোক্তুনা অঙাং লাখ অনি লিশিং ৯০ রোমদা পোলিও হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা ওইনা অঙাং লিশিং ৪৮ হেনবদা হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা অঙাং লিশিং ৪৪ হেন্না, থৌবালদা অঙাং লিশিং ৩৪ হেন্না অমসুং সেনাপতি জিলাদা অঙাং লিশিং ৩৪ হেন্না পোলিও হিদাক পীথক্কনি।

ঙসি পোলিও বুথশিংদা হিদাক পীথকহৌদবা অঙাংশিং হয়েং অমসুং হংচিৎ য়ুমথোং য়ুমথোংদা চংদুনা হিদাক পীথক্কনি।

মমা-মপা অমদি অহল লন্মনশিংনা মখোয়গী অঙাংশিং পুথোরক্তুনা পোলিও হিদাক পীথকপীনবা হোৎনবীয়ু হায়না রাজ্য সরকারনা আপিল তৌরি। হান্না রুটিন ইম্যুনাইজেসনশিংদা পোলিও হিদাক পীথকখ্রবা অঙাংশিংসু ঙসি অমুক হন্না পীথকপদা অকায়বা লৈতে হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ফয়েংদা লৈবা মশাগী ময়ুমদগী ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়-নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা চৎহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

**হার (এল)ঃ** রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা গ্রীন বাইওটেক ইকো সোলুসনগা খুৎশমদুনা হৌজিক অয়ুক পুং ৮ দা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই বজারদা লৌবুক্তা বাইও ফরটিলাইজর শিজিন্নবগী মতাংদা লৌমীশিংগী ফিল্ড লেবেল দেমোন্সত্রেসন অমা পাঙথোক্কনি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৫ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিগী মনিপুরি ৱাহন্থোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সেচেলসকী রাস্ত্রপতি-পেত্রিক হারমিনিকক্কা উন্নদুনা লৈবাক অনিনা হীরম কয়াদা তেংবাং পীনবা অমসুং লমদম লমদমগী অমদি মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি সেচেলসকী নেসনেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাংগনি। মহাকা লৈবাক অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা রোস কেনেলদা পাঙথোকপা নেসনেল ডেগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

মন্ত্রালয়না পাউনা হায়-থৌরম অদুদা ভারতকী দিফেন্স ফোর্সকী কন্টিজেন্ট অমা, ভারত নেভিগী জহাস অনিগা লোয়ননা শরুক য়াগনি। শ্রী মোদি হৌজিক সেচেলসকী নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা লৈবাক অদুদা লৈরি।

**জিতেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা

হায়রি-জিনোম ইন্দিয়া মীসননা মীওই লিশিং ১০ হেনবগী জিনোম সিক্বেন্সিং লোয়শিল্লে অমসুং মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা জিনোম দাটাবেসশিং শেমগৎনবা হোৎনরি।

ডাক্তরশিংগী নুমিৎকা মাংওইননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা শ্রী জিতেন্দ্রনা হায়-লৈবাক অসিগী তোমথিল ওইরবা জেনেতিক্কী মচাকশিং, বৈগ্যানিক ওইবা ইকো সিষ্টেম অমদি অনৌবা টেকোলোজিশিংনা হকশেলগী লমদা অনাবশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা শেল চংদবা মওংদা নেক্স জেনরেসনদা পশিল্লক্লি।

মহাকা হায়-ভারতনা বাইও ই-থ্রি পোলিসি অমসুং বাইও রাইদ মীসনগুম্বা থৌরাংগী মখাদা লৈবাক অসিগী ওইবা মহৌশাদগী চৎনরকপা থিজিন খোপচিনবগী থবক অমসুং ইনোভেসনগী খুথাংদা হিদাক লাংথক শাবদগী অনৌবা মখলগী হিদাক পুথোকপরোমদা মায় ওনশিল্লক্লি।

**অনুপ্রিয়াঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল রাজ্য মন্ত্রি-অনুপ্রিয়া পতেলনা হায়রি-হৌখিবা চহি ১২ অসিদা ভারতনা অনা লায়েংগী লমদা নীংথিনা খুমাং চাউশিনবা ঙমলে অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামদা শেল ইচং চংদনা অফবা মখলগী লায়েং ফংহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

ডাক্তরগী নুমিৎকা মরী লৈননা লন্নাই মেদিয়া চেন্নেল অমগা উন্নবদা মন্ত্রিনা হায়-আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন্ন অরোগ্যা য়োজনানা মীওই কোতি ৬২ রোম কোনশিনদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অনা লায়েংগী হেলথ ইন্সুরেন্স প্রোগ্রাম অমা ওইরি। মসিনা মীয়ামদা শেলগী তেংবাং পাদুনা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহল্লি।

**অরুনাচলঃ** অরুনাচল প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-পেমা খন্দুনা ঙরাং অখন্নবা সিভিল মিলিটরি এক্সপিদিসন-ওপরেসন আরুনুদয়গী মখাদা তৱাং জিলাগী থিংবু খুলদগী

বজ্রং চীংদোল ফাওবগী ত্রেক্কিং রুট হাংদোকখ্রে।

ত্রেক্কিং রুট অদু ভারত লান্মী অমসুং নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ এদভেঞ্চর স্পোর্টসনা পুন্না শিন্দুনা হাংদোকপনি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী খন্দুনা হায়-মদুনা অরুনাচল প্রদেসতা টুরিজমগী লমদা চাউখৎহন্দুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী অনৌবা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লগনি।

**রোডঃ** তেলঙ্গানাগী হায়দ্রবাদতা লম্বী অমা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পকী মমিং লৌদুনা থোনখিবগীদমক শ্রী ত্রম্পনা ভারতপু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ত্রুট সোসিএলদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী ত্রম্পনা লম্বীগী মিং-দোল্ড ত্রম্প এভিন্যু হায়না থোনখিবা অদু পল্লদুনা রাস্ত্রপতি অমবু ইকায় খুমবা উৎতুনা ভারত্তা লম্বীগী মিং থোনখিবা অহানবা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি মহাকা ওইরে হায়খি।

**ভেনিজ্যোলাঃ** ভেনিজ্যোলাগী য়ুহার হাবদা শিখিবা মীগী মশিং লিশিং ১,৪৩০ য়ৌখ্রে।

খা-আমেরিকাগী লৈবাক অদুদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রিক্টর স্কেলদা ৭.২ অমসুং ৭.৫ য়ৌনা য়ুহার হাদুনা চাউনা অমাং অতা থোকহনখিবনি। মী কনবা কাংবুনা হৌজিকসু থিবা হুম্বগী থবক চখ্খরি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙসি নোংয়াই মতুং পুং অনি মখায়দা শান্নখিবা মেটচতা-ইংলেন্দনা পানামাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা ইংলেন্দ নোকআউট ষ্টেজ চংখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্রোএসিয়ানা ঘানাবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা

ক্রোএসিয়া অমসুং ঘানা টিম অনিমক নোকআউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে।

হৌজিক অরজেন্টিনাগা জোরদানগা শান্নরি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা অলজেরিয়াগা ওষ্ট্রিয়াগা শান্নরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগী মনুংদা ম্যান্মারদা ওপিয়ম থাবগী চাং হেনগৎলকপদগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা মসিনা পীরকপা দ্রককী চৈথেং, চীফ মিনিস্তরনা সাফ ৱিমেন্স চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়া টিমগী মনিপুরি নুপী ফুটবোল্লরশিং উন্নখিবগী পাউশিং য়াওরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-সেন্টরনা দ্রগ অমদি মনিপুরগী সেক্যুরিতিদা অকনবা মীৎয়েং চংলি হায়বা পাউ অসিনা বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগী মনুং চন্না ম্যান্মারগী দ্রগকী চৈথেং মনিপুরনা নংদুনা লাক্লি হায়বা পাউ অমনা সব হেদলাইন পীরি।

মনিপুরগী নুপী ফুটবোল প্লেয়ারশিংনা সি.এমগা উন্নখ্রে, স্পোর্টস পার্সনশিংবু তেংবাং পীনবা ৱাফম থমখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইরাং লোয়শিন্নবা য়ু.এন.সিনা প্রাইম মিনিস্তরগী পুকিং চিংশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-নিতিন নবিনগী নেসনেল টিম নৌনা শেম্বদা এন. বিরেনগী মমিং পন্নরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ম্যান্মরদা ওপিয়ম থাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা দ্রগ স্মগ্লীংগী থ্রেদ হেনগৎক্লিবনি হায়বা পাউ অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা

হেদলাইন তৌরি। কোরিদোর প্রোজেক্টনা ইম্ফাল স্কাইলাইন নৌনা শেমগৎনবা পান্দম থল্লি হায়বা পাউ অমসু এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

অৱাং সেকমাইদা নাগা অমসুং মৈতৈ খুল ১৪ গী মৈরা পায়বীশিংনা ইশু খুদিংমক পুন্না থেংনমীন্ননবা ৱারেপখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। ইন্দিয়াদা আগষ্টকী অহানবা থাখায় ফাওবগী থাউ লৈরবসু মমল হন্থরক্লে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

দিজিটেল মার্কেটিংগী চৈফুনা মনিপুরদসু অহোংবা কয়া পুরক্লে হায়বা পাউ সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমদা য়াওবা মনিপুরগী ফুটবোল্লর ৯ না সি.এম. উন্নদুনা শান্নরোইশিং শৌগৎপীনবা তকশিনখ্রে হায়না এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা খোরিরোলগী অখন্নবা লামাই মঙাদা ভিজ্এল আর্টিষ্ট ওজা ইবোচাউবা য়েন্দ্রেম্বমদা লেমজনিংঙাই ওইরবা তরেৎশুবা গভনর আর্ট এৱার্ড ২০২৬ হায়বা তোংজম অমরজিৎনা ইবা আর্টিকল অমা ফোংলি।